# মেঞ্চেষ্টর সিটি, লিভরপুল অমসুং রিয়াল মাদ্রিদ মায় পাকখ্রে, পি এস জি অমদি এটলেটিকো মাদ্রিদ দ্রো চৎখ্রে







লন্দন, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী হৌখিবা সিজনগী চেম্পিয়ন ওইরিবা মেঞ্চেষ্টর সিটি, লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা ক্লব লিভরপুল অমসুং স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মখোয়-মখোয়গী গ্রুপশিংগী মেটচশিংদা মায় পাকখ্রে। ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং স্পেনগী এটলেটিকো মাদ্রিদ মখোয়-মখোয়না শান্নখিবা মেটচশিং দ্রো চৎখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ এদা অহানবা রাউন্দ ওইনা জর্মনিগী ক্লব আর বি লৈপজিগকা লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। মদুগী মনুংদা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা ৩ অদুগা আর বি লৈপজিগনা ১ চনখি। ১৬শুবা মিনটতা নেথননা অহানবা পাঞ্জল চনখি। সিটিগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ২৮শুবা মিনটতা নোর্দি মুকৈলেনা অনীশুবা পাঞ্জল চল্লগা ৪২শুবা মিনটতা আর বি লৈপজিগকী খৃষ্টোফর কুনকুনা পাঞ্জল ১ হন্দোকখি। হাফ অদুগী ইঞ্জুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী রিয়াক মহারেজনা টিমগী ৩শুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা আর বি লৈপজিগকী খৃষ্টোফর কুনকুনা পাঞ্জল ১ চল্লবা মতুং ৫৬শুবা মিনটতা সিটিগী জেক গ্রিলিসনা টিমগী ৪শুবা পাঞ্জল অদু চনশিনখি। লৈপজিগকী পাঞ্জল ২ চনখ্রবা খৃষ্টোফরনা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ৭৩শুবা মিনটতা চনখি। অদুবু মেঞ্চেষ্টর সিটিগী জোৱা কেন্সেলো অমসুং গেব্রিএল জিজসনা ৭৫ অমসুং ৮৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২ হাপচিল্লগা ৬-৩দা থোইখি।

গ্রুপ অসিগী ওইনা ঙরাং ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অমসুং বেলজিয়মগী ক্লব অমা ওইরিবা ক্লব ব্রুগেগা লম্বা তৌনবদা পেরিস সেন্টজর্মেনগী এন্দর হেরেরানা ১৫শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২৭শুবা মিনটতা ক্লবব্রুগেগী হান্স ভানাকেননা পাঞ্জল ১ হন্দোকখিবা অদুগী মতুং তারকপা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি।

গ্রুপ বিদা লিভরপুলনা ইটালিগী এ সী মিলানবু ৩-২দা থোইখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী ফিকাইয়ো টোমোরি, মহমদ সালা অমসুং জের্দান হেন্দরসননা পাঞ্জল চল্লগা এ সী মিলানগীনা এন্টে রেবিক অমসুং ব্রাহিম দিয়াজনা চনখি।

গ্রুপ দিদা স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদনা ইটালিগী ইন্টর মিলানগা লম্বা তৌনবদা মেটচ লোইগদবা মিনট ১ খক্তা ঙাইরবা মতমদা রোদ্রিগোনা পাঞ্জল ১ চনখিবা অদুনা রিয়াল মাদ্রিদ মায় পাকহনখি।

গ্রুপ সীদা নেদরলেন্দসকী এজাক্সনা পোর্টুগালগী স্পোর্টিং সিটিবু ৫-১দা থোইখি। এজাক্সকী সেবেষ্টিয়ন হার্লরনা পাঞ্জল ৪ চনখি।

# হোক্কী মশান্নদা মণিপুরদগী নহা ওইরিবশিংগী ৱাখল্লোন হেন্না চিংশিন্নিংবা ফাওই : ওলিম্পিয়ন নিলকান্ত শর্ম্মা



ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৮৪দা যু এস এগী লোস এঞ্জেলিস সিটিদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী গোলকিপর ওইনা শরুক য়াখিবা পাঙম্বম নিলকোমোলনা মণিপুরগী অহানবা ওলিম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং ষ্টেট অসিনা নুপাগী লম্দা ওলিম্পিয়ন ৪ পুথোকপা ঙমখিবগী মনুংদা ইকোন কোনবা ওইরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়ানা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকখিবা অদুদা য়াওখিবা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মানা ষ্টেট অসিদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা হোক্কী মশান্নদা হেন্না মায় ওনশিনহন্নিংবগী অপাম্বা ফাওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না হোক্কী ইন্দিয়াগা ৱারীশানবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। নিলকোমোলনা কুমজা ১৯৮৪ লোস এঞ্জেলিস ওলিম্পিক্স শরুক য়াখ্রবা মতুং থংনবা ওলিম্পিক্স ওইরিবা ১৯৮৮ সিওল ওলিম্পিক্সতা কে এস ঐচ থোইবনা মণিপুরগী অনীশুবা নুপাগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন ওইখি। মতম শাংলবা মতুং কুমজা ২০১২দা খদাংবম কোথাজিৎনা অহুমশুবা নুপাগী হোক্কী ওলিম্পিয়ন ওইখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৬ রিও ওলিম্পিক গেমসতা কোথাজিৎ মশামক য়াওনা চিংলেনসনা কাঙুজমসু শরুক য়াদুনা মণিপুরগী মরিশুবা হোক্কীগী ওলিম্পিয়ন ওইনা য়াওখি। মখোয় অনী টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা প্রোবেবল খনবদা য়াওরবা মতুং ফাইনেল টিম খনবদা নিলকান্তশর্ম্মখক্তমকয়াওরকখিবনি।

ইন্দিয়ানা চহী ৪১গী মতুংদা ওলিম্পিক গেমসতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলকপা অসিনা মণিপুরদা লৈরিবা হোক্কী শান্নবা পামজবা শান্নরোয়শিংগী ৱাখলদা অনৌবা থৌনা অমা পীদুনা মশীং হান্নদগী হেনগৎহন্নবগী মতেং ওইরসনু হায়না নিলকান্তনা ফোঙদোকখি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা নিলকান্ত শর্ম্মনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা অহানবা ওইনা কুমজা ২০১৬তা ইন্টরনেসনল হোক্কী ফেদরেসননা শীনখিবা জুনিয়র মেন্স ৱর্ল্ড কপতা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়াখি। মহাক থংনবা চহীদা সিনিয়র থাক্তা শরুক য়ারকখিবা অদুদগী হৌজিক ফাওবদা মহাক্না টিম অসিদা পীরিবা পর্ফোর্মেন্স অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনল মেটচ অয়াম্বদা মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইদুনা লাক্লি।

মহাক্কী মায়কৈদগী মখা তারকপদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়াগা শান্নমিন্নবা ফংখিবা অদুনা মহাক্কী মায়কৈদা কান্নবা কয়া অমা ফংখি। তুংদসু মহাক্কী মশান্না অদুদা শেমদোক্তুনা অহেনবা থাক্তা শান্নবা ঙম্নবগীদমক হোৎনবা লেপ্লোই হায়খি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নিলকান্তশর্ম্মবু শান্নমিন্নরোয়শিং অদুনা টিম প্লেয়র অমনি হায়না লৌনখি। মসিগী মরুওইবা মরমদি কোচ অমদি টিম অদুনা মাঙজৌননা শেমখিবা লল্লোংশিং অদু হোংদনা মশাগী ওইবা থাদোক্তুনা টিমগী ফজবা অদুদা মায় ওনশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবা অদুননি।

মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা হোক্কীগী ষ্টেন্দর্দ অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা য়াম্না নোপ্পা নৎত্রি। অদুবু ইনফ্রাষ্ট্রকচর হেন্না ফগৎহল্লবদি তুংদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা মালেমগী থাক্তা শান্নবা ঙম্বা শান্নরোয় কয়া অমা ষ্টেট অসিদগী থোক্লকপদা মতম কুইনা চঙলোই হায়খি। মহাক বেঙ্গলুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা ওক্টোবর থাদগী হৌগদৌরিবা নেসনল কোচিং কেম্পকীদমক শেমশারি।

# সন্তোস ট্রোফিগী ২শুবা ফেজগী কোচিং কম ট্রায়লগীদমক শান্নরোয় ৬৩গী মমিং লাওথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা)গী মীৎয়েং মখাদা নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ফোর সন্তোস ট্রোফিদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবা চথরকপা কোচিং কম ট্রায়ল সেলেক্সনগী অনীশুবা ফেজগীদমক্তা শান্নরোয় ৬৩গী মমিং ঙসি লাওথোকখ্রে।

খল্লবা শান্নরোয়শিংনা হয়েং অয়ুক পূং ৮ তাবা মতমদা লমলোং থোংখোংদা লৈবা আর্টিফিসল তর্ফগ্রাউন্দদা মেনেজর অমসুং কোচতা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরি জোটিরমোই রোয়না থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি, গোলকিপরদা নেসুদগী এ বি ৱাওরৈবৌ অমসুং সলমান খুরসিদ, নেরোকাদগী এম দি অবুজর, এ্যমদগী এ চীংখৈঙানবা (য়ু-২১), এম এ দগী ঙমসাংলেন হাওকিপ, রাওদগী টি এলিসন (য়ু-২১), এস য়ুদগী কে ঐচ রোকি (য়ু-২১) অমসুং ট্রাওদগী এল জোনি (য়ু-২১)নি।

দিফেন্দরদা কে আই ৱাই সিদগী এন রোমেন, এন জি প্রেম অমসুং সোমি রোঙ্গুইনি। এম এ দগী থাংকিভেটে কিপজেন অমসুং কে ঐচ বিদ্যাচন্দ্র (য়ু-২১) নি। য়ং ফিজিকতগী দব্লিউ অরুনকুমার, ক্লাসাদগী এম ক্লিন্টন অমসুং আর কে রোবিন, ট্রাওদগী পি বেবেকানন্দ, নিশাদগী এম দেনি অমসুং এ হেরোজিৎ, ক্রুগপুদগী এম দিপক (য়ু-২১), নেরোকাদগী এ রিসন অমোফাদগী কে রোনাল্ডো, কে ৱাই ভি ওদগী এল চীংখৈঙানবা (য়ু-২১), এস এস য়ুদগী এন কবিরাজ অমসুং টি ঐচ চীংখৈঙানবা ৱাফাদগী এন মায়পাক (য়ু-২১), য়ং ফিজিকতগী ৱাই কমান্দো, এম এদগী কে ঐচ বিদ্যাচন্দ্র (য়ু-২১) অমসুং এ্যমদগী সি ঐচ কেন্সন মীতৈনি।

মিদভিল্ডদা ট্রাওদগী কে ঐচ প্রবিন অমসুং এন জি পচানি, নেরোকাদগী লেনমিনলাল হাওকিপ অমসুং এল দেবিদনি, ক্লাসাদগী এন মোমোচা, এল মোনিস অমসুং সুধির লোইতোংবমনি। য়ু কে বিদগী লালমিনলিয়ন ভাইভৈ, মাংলিয়বোই নৈসাল অমসুং পাওলেনলাল খোংসাইনি। য়ং ফিজিক য়ুনিয়নদগী এম মণিসনা অমসুং ৱাই সুরজ, নাকোদগী এন প্রেমজিৎ, এস য়ুদগী টি ঐচ লেনিন অমসুং লুনঙৌসেম কিপজেন, ক্রুগপুদগী এস দেবেন, এ্যমদগী এল লোয়াঙম্বা, কে ঐচ জেকি, এস বিকাস (য়ু-২১) অমসুং টি ঐচ মণিচান্দনি (য়ু-২১)নি। কে ৱাই ভি ওদগী এল বিসাল (য়ু-২১), জি এস সিদগী গিমজিনথাং, ৱাই য়ু এফ সিদগী এস আর কগালে অনাল অমসুং রুংসিং মুইনাও, এম এদগী জাংমিনলুন কুকি, কে আই ৱাই সিদগী এন জেনিস অমসুং রাওদগী জাংজাগিন কুকিনি।

লোয়নবা ফোরৱার্দতা ক্লাসাদগী এস জোন্সন (য়ু-২১), কে আই ৱাই সিদগী সোমিসন শিরাক অমসুং টি সুরজকান্ত, এস এস য়ুদগী এন সুসিলকুমার, য়ং ফিজিকতগী এন ওলেন অমসুং এল ৱাই সি সি দগী এন জি বিদেনপার মোয়োননি।

# গ্রুপ দিদা গোকুলম কেরলানা হায়দরবাদ ১-০দা থোইখ্রে

কোলকাটা, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কোলকাটাদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা শান্নফমদা শান্নরিবা দুরান্দ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি কল্যানি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা গোকুলম কেরলানা হায়দরবাদপু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ অসিদা আর্মি রেদকা চপ মান্ননা পোইন্ট ৪/৪ ফংমিন্নরি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ টিম অনীমক মায় পাক্কনবা হোৎনরকখিবনি। মেটচ অদুগী মাঙওইননা হায়দরবাদ মেটচ অমা মায় পাক্লগা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লাকখি। অদুবু গোকুলম কেরলাগী অহানবা মেটচ শান্নবদা আর্মি রেদকা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট অমখক ফংলগা লৈখিবনি। করিগুম্বা হায়দরবাদ এফ সীনা মেটচ অদু মায় পাকপা তারল্লবদি মখোয়না পোইন্ট ৬ ফংলগা গ্রুপ দিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরমগদবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল চন্নখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদা গোকুলম কেরলাগী য়াম্না থুবা এটেক অমদা ওসুমানুনা পাঞ্জল ১ চল্লগা হায়দরবাদ ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি। মখা তারকপা মেটচকী লেমহৌবা পুংখায় হেনবা মতম অদুদা পাঞ্জল শোঙ্খরবা হায়দরবাদনা য়াম্না খৌরাংনা মখোয়গী ইক্বেলাইজর অদু থিবা হৌরকখি। অদুবু গোকুলম কেরলাগী মায়কৈদগী মখোয়গী গোললাইন অদুবু ঙাক শেল্লিবা দিফেন্দরশিংগী ফজবা মশান্না অদুনা এটেকশিং অদু অরেম্বা তাহনখি। শান্নবগী অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লবা ফাওবদা হায়দরবাদকী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংখিদবদগী গোকুলম কেরলানা ১-০দা থোইখি। বেঙ্গলুরু য়ুনাইটেদনা গ্রুপ এদা মেটচ অহুম্মক মায় পাক্তুনা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট ওইখি। অদুগা গ্রুপ অদুমক্কী মোহম্মদন স্পোর্টিংসু পোইন্ট ৬ ফংলগা ক্বার্টর য়ৌখি।

# ওলিম্পিয়ন নিলকান্ত শর্ম্মনা ৱাই সি সি আই সিগী শান্নরোয়শিংদা হোক্কীগী পোৎলম য়েন্থোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): মমাং থাদা জপান্না য়ূম্বু ওইদুনা লোইশিনখিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা নুপাগী হোক্কীদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংলক্লখিবা ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমদা শরুক য়াখিবা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মনা ঙসি মহাক্না চহী নৌরিবৈঙদা হোক্কী শান্নবা হৌরকখিবা মহাক্কী লৈকাইমক্তদা লৈবা য়ুথ ক্লব কম ইনফোর্মেসন সেন্টরদা ক্লব অসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংদা মশান্না অসিগী পোৎলমশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নিলকান্ত শর্ম্মনা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুদা হোক্কী ষ্টিক, সিন গার্দ অমদি খোঙউপ্পচিংবা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোক্তুনা মতেং পাংখি। ৱাই সি সি আই সিগী প্রেসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং মেম্বর কয়া য়াওনা ফ্রেন্দলি মেটচ অমসু শান্নখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিমদা রেগুল্যর শান্নরোয় অমা ওইনা মতম কুইনা শান্নরক্লবা শংলাকপম নিলকান্ত শর্ম্মনা ৱাই সি সি আই সিগী মেম্বরশিংনা অফবা শান্নরোয় মশীং য়াম্না পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দমদা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিং অদুবু অয়ূক অমসুং নুংথিলগী মতমদা তাকপী তম্বীরিবা অমদি ব্রেকফাষ্ট পীদুনা হোৎনরিবা অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# গোল্ড মেদল ফংলক্লবা এস অমরবু তরাম্না ওকখ্রে

থৌবাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা থা অসিগী ১০ অমসুং ১১দা পাঙথোকখিবা 'অহানবা মাউন্ট এভরেষ্ট ইন্টরনেসনল গেমস ২০২১'গী কিক বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌরক্তুনা মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী মায় পুরকখ্রবা শঙ্গোমশুম্বম অমরবু ঙসি হরাউ তরাম্না ওকপগা লোয়ননা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

এস অমর থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাংখেম মুস্লিমদগী এম দি রসিদ অলি অমদি খৈজানগী মচা অহুমগী মনুংদা অনীশুবনি। মহাক্না কিলোগ্রাম ৫০গী কেটগোরিদা অহানবা মাউন্ট এভরেষ্ট ইন্টরনেসনল গেমস ২০২১গী কিক বোক্সিং মশান্নদা মথংশিংনা ভুটান, অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমদি নেপালগী শান্নরোয়শিংবু মায়থীবা পীরম্লগা গোল্ড মেদল লৌরকখিবনি।

ৱাংখেম মুস্লিম দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (দব্লিয়ু এম দি এ) ক্লব ৱাংখেম মুস্লিমনা শিল্লগা পাঙথোকখিবা তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা ১২শুবা মণিপুর বিধান সভা মীখলদা ৱাংখেম এ সীগী বি জে পিগী মীরেপ ওইগনি হায়না থৌরাং তৌরিবা খরিবম জিবননা অথোইবা মীথুংলেন, তম্পাকময়ুম মসজিদকী পেস ইমাম, মৌলা বাসির অহমদ অমদি দব্লিয়ু এম দি এগী প্রেসিদেন্ট এম দি সাফিকনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপূ অমদি অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।



কে ঐচ জিবননা ফোঙদোকখিবদা, চাউখৎপা, তংদু লৈতাবা অমদি মালেমগী মীয়াম্না মশক খঙহনবদা শান্ন-খোৎনবা য়াওদনা লাইরিক খক্তনা য়াদে। শান্ন-খোৎনবনা ঐখোয়গী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু মশা-মউফনা থমদুনা তিঞ্জং-কায়জংদনা থম্মী। মরম অসিনা ঐখোয়গী নহারোলশিংবু লাইরিক তমহনবদা নৎতনা শান্নবদা পূক্লিং চিংশিনসি।

ঙসি এস অমরনা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা গোল্ড লৌরক্লিবা অসি ৱাংখেম মুস্লিম খক্তা নৎতনা ৱাংখেম এ সীগী, মণিপুরগী অমদি লৈবাক অসিগী মায় পুরকপনি। অমরবু অমদি লমদম অসিগী শান্নরোয়শিংবু ওলিম্পিয়ন অমগী থাক্তা পুখৎনবা হোৎনসি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা থাক্তা মতেং তৌগনি হায়খি।

দব্লিয়ু এম দি এ ক্লবনা এস অমরদা সর্টিফিকেট অমদি শেলগী মনাসু পীখি। অমর শীংজমৈগী ওজা জিট খুমনচাগী মখাদা শান্নরকপনি হায়রি।

# প্রফুল পটেল অমসুং অনুরাগ থাকুর উন্নখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ওল ইন্দিয়া ফটবোল ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট প্রফুল পটেল অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ স্পোর্টস, য়ুথ এফিয়র্স এন্দ মিনিষ্টর ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং অনুরাগ থাকুর ন্যু দেল্লীদা ঙরাং উন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা প্রফুল পাটেলনা মিনিষ্টরদা কুমজা ২০২২দা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এ এফ সি ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অমসুং ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকীদমক শেমশারিবা অদুদা লৈরিবা ফিভম অদুগা মতাংদা মরিকচুম্বা পাউদম তমখি।

## ফুটসাল য়ৈথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৬ (ঐচ এন এস): অহানবা কর্ণেল ক্ষেত্রিময়ুম অরুনকমার মেমোরিয়ল ফুটসাল টুর্নামেন্ট হয়েংদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু খুদোংচাদাবা খর লৈবদগী মখাতাবা সেদ্যুল পীরকত্রিফাওবা য়ৈথোক্লে হায়রি।

# রসিয়ানা য়ু এস এগী টিম্বু ফাইনেলদা সেট ২-০দা থোইদুনা চেছ ওলিম্পিয়াদকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে

ন্যু দেল্লী, সেপ্টেম্বর ১৬ (এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল চেছ ফেদরেসন্না শীন্দুনা পাঙথোকপা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদকী ফাইনেলদা মমাংগী ইদিসন্দা ইন্দিয়াগা জোইন্ট ৱিন্নর ওইখিবা রশিয়ানা য়ু এস এগী টিম্বু সেট ২-০দা থোইদুনা চহী অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াবু সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্বা য়ু এস এনা রশিয়াগা লম্বা তৌনখিবদা অহানবা সেট অমসুং অনীশুবা সেট অনীমক চপ মান্নবা স্কোরদা পোইন্ট ৩.৫-২.৫দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

অহানবা সেট অদুদা রশিয়াগী মায়কৈদগী ব্লাগিস্লাব অরটিমিয়বনা য়ু এস এগী রে রোবসনবু থোইবা ঙমখি। লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোয় অলেকজেন্দর গোরিয়াচকিনানা য়ু এস এগী ইরিনা ক্রুসপু থোইখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগী অৱোন্দর লিয়াননা রসিয়াগী এন্দ্রি ইসিপেনকোবু থোইবা ঙমখি। লোয়ননা অতোপ্পা গেম ৩ দ্রো চৎখি। হায়রিবা দ্রো চৎখ্রবা মেটচশিং অদুদি য়ু এস এগী জেফ্রি সিয়োং অমসুং রসিয়াগী দানিল দুবোব, য়ু এসকী নাজি পাইকিটজে অমসুং রসিয়াগী অলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুক অমসুং য়ু এসকী থালিয়া কার্ভান্টেজ নেন্দেরো অমসুং রসিয়াগী ওলিনা সুভালোভানি।

অহানবা সেট রসিয়ানা থোইরবা মতুং মাঙজিল থারদুনা অনীশুবা সেট শান্নরকপদা রসিয়ানা অমুক্কসু মেটচ ২ থোইখিবগা লোয়ননা অমা মায়থীরগা অতোপ্পা মেটচ অহুম দ্রো চৎতুনা অহানবা সেটকী স্কোর অদুগা চপ মান্নবা মওংদা ৩.৫-২.৫দা থোইখি।

অহানবা গেমদা রসিয়াগী দানিল দুবোব অমসুং য়ু এস এগী জেফ্রি জিয়োং দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেমদা রসিয়াগী ব্লাদিস্লাব আর্টিমেপ অমসুং য়ু এস এগী দারিয়স স্বের্জ দ্রো শান্নখি। অহুমশুবা গেমদা রসিয়াগী অলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুকনা য়ু এস এগী ইরিনা ক্রুশপু মায়থীবা পীখি। মরিশুবা গেমদা রসিয়াগী কেটেরিনা লাগ্নো অমদি য়ু এস এগী অনা জাটোস্কি দ্রো শান্নখি। লোয়ননা রসিয়াগী মায়কৈদগী এন্দ্রি ইসিপেনকো য়ু এস এগী অৱোন্দর লিয়াংগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। মখোয় অনী অহানবা সেটতসু লম্বা তৌনবদা লিয়াংনা থোইবা ঙমখিবনি। লোয়ননা ৬শুবা গেমদা রসিয়াগী লেয়া গারিফুলিনানা য়ু এস এগী থালিয়া কার্ভান্টেজপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা থা অসিগী ২৭তগী স্পেনগী সিটি সিটজেসতা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিদে ৱর্ল্ড ৱিমেন্স টিম চেছ চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান কোনেরু হম্পীগী মতাংদা চয়েৎনবা লৈরি। মহাক কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন কোভাসিন কাপ্পুবনা য়ুরোপনা পাল্লিবা কোভিশিল্ড ওইদবগী নুমীৎ ১০নি ক্বারন্টিন তৌবগী তাঞ্জা লাক্লি।


EMPLOYMENT NEWS

- IMPHAL BRANCH :- Security/Gunman-2, Office Asst. (Graduate)-2
- SAMUROU BRANCH :- Office Asst. (Graduate), Car wash Helper-2, Driver
- MOIRANG BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2
- THOUBAL BRANCH :- Office Asst.-1, Grade IV-1, Security - 2
- NAMBOL BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Driver - 2
- KAKCHING BRANCH :- Office Asst.-2, Grade IV-2, Security - 2

N.B. : Branch খূদিংমক্কী য়াম্না নক্কনা লৈবা মীওইশিংদা খূদোংচাবা পীজগনি।

Pl. Contact : L.G. MOTORS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI, IMPHAL-WEST MANIPUR

CONTACT No. :- 9774495994

HL-B/7056/28/8-3/10 (alt)


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 232**

**Nielsen, PH. (2648) - Carlsen, Magnus (2553)**
**Bundesliga 2004-5 Neukoelln GER (12), 2005.03.12**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 Nf6 | 2.c4 g6 | 3.g3 Bg7 | 4.Bg2 O-O |
| 5.O-O d5 | 6.cxd5 Nxd5 | 7.Nc3 Nc6 | 8.d4 Nb6 |
| 9.e3 Re8 | 10.d5 Na5 | 11.Nd4 Bd7 | 12.e4 c6 |
| 13.Re1 cxd5 | 14.exd5 Rc8 | 15.Bf4 Nbc4 | 16.b3 Nb2 |
| 17.Qd2 Nac4 | 18.bxc4 Nxc4 | 19.Qd3 Nb2 | 20.Qe3 Nc4 |
| 21.Qe4 f5 | 22.Qd3 Nb2 | 23.Qd2 Nc4 | 24.Qd1 Nb2 |
| 25.Qb3 Bxd4 | 26.d6+ e6 | 27.Nd5 Ba4 | 28.Qxb7 Nd3 |
| 29.Ne7+ Kh8 | 30.Be3 Rc4 | 31.Qa6 Nxe1 | 32.Qxc4... |

**QUESTION :**

**White to Win**

**Puzzle 231 Ans. :**

42. ...Qxa3 Opening the line from b7 to b1. 43.bxa3 Rb1+ 44.Kd2 Rd1+ 45.Ke3 Rd3# Swallow's tail mate

42. ...Qxa3 43.bxa3 Rb1+ 44.Kd2 Rd1+ 45.Ke3 Rd3# 0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com